# ফুটবোল শান্নগনি হায়দুনা থোরক্লিবা প্লেয়র পুম্নমক কোচ অমা ওইনা ঐহাকসু ফজনা গাইদ পীজনিংই



সাপম প্রেমকান্ত
*(নেসনল ফুটবোল কোচ)*

(ঙরাংগী মখা)

অয়াম্বা নুপীগী টিম পুদুনা চৎচরকপা মতমদদি টিম চেম্পিয়ন পুরগা হঙ্গরকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু ঝরখন্দ নেসনল গেমস অদুদদি মণিপুরগী নুপী টিম রন্নর্সঅপ ফঙলকখি। মদু করিগীনো হায়বা তারগদি, ও বেমবেমনচিংবা মণিপুরগী অফবা নুপী ফুটবোল্লর তরেৎ ইন্দিয়া কেম্পতা পুল্লব লৈখিবা মতম ওইদুনা অঙাংশিংনা মপুং ওইনা শেম্বা টিম অমা পুরগা চৎচখি। অদুবু ঐখোয়গী অঙাংশিং ঝরখন্দ নেসনল গেমসতা ফজবা পর্ফোমেন্স পীদুনা শান্নখি। চহীদুদা ওরিষাগীদি মখোয়গী অরিঙবা ফুল টিমদু লাকখি। অরিঙবা টিম ওইজরগসু মখোয়না ২-১ খক্তদা মায়থীবা পীখি। অহেনবা গোল কাউশিনবদি ঙমখিদে।

অমরোমদা, নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা মশক নাইনা লৈরিবা মণিপুর মচাশিং অসিদি মথৌনা মরিংজেলসু য়াম্না লৈ। ঐখোয়গী অঙাংশিং অয়াম্বা ফিল্ডদদি মতিং থোক্লা ফজনসু শান্নে। মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লরশিং বালা, রোমী, রাধারানী, তবাবী, মখোয়শিং অসিসু ঐহাক্না ফজনা শেমজরকখিবনি। নুপী শান্নরোয়দা কোচিং পীবসিদি য়াম্নসু নুংঙাই। ফিত্তং ফাওগৎলকপগা নুপা ফুটবোল্লরশিংদি ইষ্ট বেঙ্গলদা, মোহন বগানদা, বেঙ্গরোর এফ সিদা, কেরালা ব্লাষ্টরদা হেক্তা চৎখি। অদুবু নুপী ফুটবোল্লরশিংদি থবক ফঙদ্রবসু মণিপুরদা অদুম লৈবা ঙম্মী। চাং নাইবা মবুকচেল শেংনা ওজা গুরুদা রেস্পেক্ট লৈবসিদি নুপা প্লেয়রশিংদগীদি নুপীশিংনা য়াম্না হেল্লি। নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোল চেনবসিসু নুপী প্লেয়রশিংনা হেনব্রা খল্লি। থাকসি-খাসি ঙাক্লা ফোনদা মাইন্দ লুপশিনখ্রগদি শান্নবদা শোইরক্তদৌরিবনি। হন্দক নেসনল চেম্পিয়নগা লৌরক্লিবদু ফোন লোইনা লৌশিল্লিবনি। মতাং কেরিয়র নিংথিনা থম্মনবা হোৎনবগী মমি ফজনা তাই। মরু ওইনা চহী নৌরিবা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিং অসিদি শেন্নবদসু খরা অদুম ৱাই। মসিদা ফজনা শেন্নবীদুনা লম্বী চুম্না চৎখ্রবদি থবক ফঙবদসু লায়না থোকই। হৌজিক্তী স্পোর্টসনা কেরিয়র অমা ওইদুনা থা অমদা লুপা লিশিং হেন্না ফংবা নুপীমচা ময়াম অমসু য়াওখ্রে। লাইরবা ইমুংদগী ৱানা হৌজরক্লগসু থাগী ওইনা শেনফম খরা লাক্লগদি ইমুং-মনুং পুবদসু চাওনা মতেং পাঙবা ঙম্লগনি। ঐখোয়সু য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা শান্নজরকখিবনিনা অঙাং অয়াম্বসি মী ওইননবা নীংথিনা মহৈ চানবদি শান্নহন্নিংই। শান্নরোয় হায়বসিদি অয়াম্বনসু লাইরবা ইমুংদগী হৌরকখিবা ঙাক্তনি। ৱানা হোৎনদুনা শান্নরকখিবা ইচা-ইশুশিং মী অমমমদি শোইদনা ওইহন্নিংই।





রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

চৎপা, ওজাদা ইকাইখুম্নবা উৎপসি মখোয়না খরদি হেন্তক লৈ। নুপীমচাশিংদি হায়বসু অদুম ইল্লি।

হৌজিক মোবাইল ফোনগী ইহৌ অমা লাক্লিবসি চহী নৌরিবা প্লেয়রশিংদদি অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লি। শান্ন-খোৎনবা তন্বীবগা লোইননা মোবাইল ফোন করম্না শীজিন্নগদগে হায়বসিসু ক্লাস পীবদা য়াওদবা য়ারক্তে। ফোনসি নাকোংদা হাপচিল্লগা মানা মানা থোকপা লৈখ্রগদি শান্নবা য়ারক্তে। অদুনা প্লে লৈবা নুমিৎশিংগী ওইনদি নোংমা ৱাৎলিঙৈগী নুমিদাং পুং ৮গী মমাংদা ওফ থমহল্লগা লোইনা লৌশিল্লি। চানা ফজবা ৱাহৈসু হায়দবা য়াদে। শান্নবা হায়বসিসু মফম মতম, মতাং চানা ইশাগী খোঙফম লেপহৌদ্রগদি ওইবদা ৱাই। মসিগুম্বসিসু ঐখোয়না মুন্না খঙজবনিনা অঙাংশিং অসিদা ফজ ফজবা তাকচৈ। শান্নবসিদা খরা থৱায় য়াওনা ইশাগী খোঙফম অমা শেম্বা ঙমহৌরগদি থবক ফংবদসু লায়না থোক্তদৌরিবনি হায়বসিদা নুপীমচাশিংদি ফজনা তাই। শিবা-চঙবা খঙদনা হোৎনরকপসিসু নুপীশিংনা খরা হেনব্রা হায়নসু খল্লি। হন্দক অন্দর ১৯গী খেল্লো ইন্দিয়াগা ফংলিবা মোনিকাগসিসু ফজবা অঙাংনি। মশাগী স্পোর্টস

... মথং মথং ...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কীনুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্কালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্কা খজায় শোক্কা থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা য়ুরোপিয়ন টাইটল ফংখিবদগী পোজিসন ১১৬তা হায়গৎপা ঙমখ্রে



পেরিস, ওক্টোবর ২১(এজেন্সী): মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী ওইবা খ্বাইদগী নৌনা মকোক মথং তাবগী পরিং লাউথোরকপদা হন্দক্তা বেলজিয়মগী কোনুং এন্টরেপতা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ফংখ্রবা গ্রেট বৃনেটকী শান্নরোয় এন্দি মুরে থাক ১১৬তা হায়গৎতুনা হৌজিক হৌজিক ১২৭ শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, এন্দি মুরে মফৈবাক শোক্তুনা সর্জরি তৌখিবদগী মতম শাংনা ইন্টর্নেসনল টেন্নিসকী কম্পিটিসন কয়া শরুক য়াবা ঙমদনা লৈরুরবা মতুং হন্দক্তা মশা ফিট ওইদুনা নৌনা শান্নরকপদা অহানবা ওইনা য়ুরোপিয়ন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

মুরেনা মহাক্কী করিয়রদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৩ লৌবা ঙমখ্রবনি। অদুবু মফৈবাক শোকখিবদগী কুমজা ২০১৮কী জুলাই থাদা মহাক্কী রেঙ্কিং অদু ৮৩৯দা লৈখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা নম্বর ১ পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি। মহাক্কী মতুংদা শুপ্নগী পোইন্ট ৩২০ খক হন্থরগা স্পেনগী রাফেল নদালনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুংদা জপানগী নিসিকোরি ৯শুবদগী ৮শুবদা হায়গৎলকখি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সিবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা পাঞ্জল অমত্তা চলহনখিদবদগী পোইন্ট য়েন্নখ্রে



বেঙ্গালুরু, ওক্টোবর ২১(এজেন্সী): ৬শুবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কর্নাটাকাগী বেঙ্গালুরু সিটিদা লৈবা শ্রি কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা পাঞ্জল অমত্তা চলহনখিদবদগী টিম অনী পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মমাঙদা পাঙথোকখিবা সিজন ৫দা ৬লক থেংনবা ঙমখ্রে। মদুদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা মেচ ৪ মায় পাক্লগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা মেচ অমা থোইখি। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা দিভলপ প্লেয়র অমা ওইরিবা মণিপুর মচা কুমাম উদান্তা য়াওখি। অমরোমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিদা মণিপুর মচা রেগান সিংহ অহানবা শান্নরোয় ১১গী মমিং লাউথোকপদা য়াওখি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপদা য়ুম্থু ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফ সিনা মিনট ২০গী শান্নবা লোইশিল্লকপদা বোল পায়বগী চাং অদু চাদা ৭০ ওইখি। অদুবু মখোয়না বোল হেন্না পায়জরবসু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখাইদুনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় সাবিসনা কাউশিনখিবা বোল অমা বেঙ্গালুরু এফ সিগী ক্রোরবারদগী খরা হায়গৎখিবদগী পাঞ্জল ওইরমগদবা খুদোংচাবা অমা মাংজখি।

অনীশুবা হাফতা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা ৬৫ শুবা মিনটতা মাংজখি। নোং তারক্লবসু নোর্থ ইষ্টকী গোল কিপ্পর সুবাসিস রোইনা বেঙ্গালুরুগী নিসুকারিগী সোট অমসু ঙাকথোপা ঙমখি। হয়েং অনৌবা টিম অনী জমসেদপুর অমসুং ওরিষাগা শান্নরগনি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Kerala Blasters | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 2 | Bengaluru | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | NorthEast United | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Chennaiyin | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 5 | Goa | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 6 | Hyderabad | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 7 | Jamshedpur | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 8 | Mumbai City | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 9 | Odisha | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 10 | ATK | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | −1 | 0 |

# ইন্দিয়াগী গর্গ অমসুং ধ্রুব রাৱ্রদকী পেয়রনা ইজিপ ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মিক্স টাইটল লৌখ্রে

2019 Egypt International Badminton Championship



কাইরো, ওক্টোবর ২১(এজেন্সী): ইজিপকী কোনুং কাইরোদা পাঙথোকপা ইজিপ ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মিক্স দবসলকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র কুহু গর্গ অমসুং ধ্রুব রাৱ্রদকী পেয়রনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাংলুপ্তসু ইন্দিয়াগী সিমরন সিঙ্গি অমসুং রিতিকা থাকরগী পেয়রনা চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা রেঙ্কিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র কুহু গর্গ অমসুং ধ্রুব রাৱদনা ইজিপ ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় উটকর্স অরোরা অমসুং করিস্মা ৱাটকরবু ফাইনেল মেচ অদুদা গেম ২-০দা থোইরগা টাইটল ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র অনী ফাইনেল লম্বা তৌনখি। ৩শুবা সিদেদ পেয়র সিমর সিঙ্গি অমদি রিতিকা থাকরনা কুহু গর্গ অমসুং সঞ্জোগিতা ঘোরপাদেবু থোইদুনা টাইটল ফংখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু সিমরন অমসুং রিতিকনা কুহু অমদি সঞ্জোগিতাবু ২১-১৬দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা কুহু অমদি সঞ্জোগিতানা ২১-১৯দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নবদগী দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা থাক ৱাংনা লৈরিবা সিমরন সিঙ্গি অমসুং রিতিকা থারকনা ২১-১৯দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

ইজিপ ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং লোইশিনখিবা ফাইনেলশিংগী মনুংদা নুপাগী সিঙ্গলসতা অজরবৈজানগী টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা এদি রেস্কি দ্বিচায়োনা জেক রিপব্লিক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ মিলান লুদিকপু থোইদুনা টাইটল ফংখি।

অহানবা গেমদা রেস্কিনা মিলানবু ২১-১৭দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদসু ২১-১৩দা থোইরগা টাইটল ফংখি। নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ম্যান্মারগী টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ শান্নরোয় থেট টর থুজর অমসুং ৱেল্সকী টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ জোর্দন হার্টকা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু থুজরনা ২১-৬তা থোইরবা মতুং ২শুবা গেম অদুসু ১২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈরিঙৈ ৱেলসকী শান্নরোয় জের্দন হার্ট মখা তানা শান্নবা ঙমদবদগী টাইটল অদু থুজরনা লৌখি।

# ৩শুবা টেষ্ট মেচকী হুম্নি চনবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা সাউথ অফ্রিকা রন ২০৩ শোখদুনা লৈখিবদগী ইন্দিয়ানা মায় পাকপগী চাং ৱাংলি



রাঞ্চি, ওক্টোবর ২১(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি সাউথ আফ্রিকা লৈবাক অনীনা শান্নরিবা টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজগী অরোইবা মেচকী ঙসি রাঞ্চিগী জে এস সি এ ইন্টর্নেসনল ষ্টেদিয়ম কমপ্লেক্সতা শান্নবগী হুম্নি শুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা সাউথ আফ্রিকা টিম ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোরদগী রন ২০৩ শোখদুনা লৈখি।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ওপনর রোহিত শর্মাগী রন ২১২ অমদি অজিনক্যা রহানেগী রন ১১৫না মপুং ওইরগা রবিন্দ্র জাদেজাগী রন ৫১ হাপচিল্লগা অহানবা ইনিংস অদু ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৪৯৭দা দিক্লেয়ার তৌখি।

মদুগী পাউখুমদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী মখোয়গী অহানবা ইনিংস শান্নরকপদা মখোয়গী বেটচমেন ১০মক রন ১৬২খক লৌরগা আউট ওইখিবদগী ফোলো ওন তৌদুনা অনীশুবা ইনিংস শান্নরকখিবনি।

সাউথ অফ্রিকা অহানবা ইনিংস অদু ইন্দিয়াগী বোল্লর ৪না খুদুম চন্দুম চনখি। যাদবনা ৱিকেট ৩ অমদি সামি নদিম অমসুং জদেজানা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ইনিংস অদুদা জুবের হমজানা রন ৬২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ঙমখি। মহাক্কী মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বেটচমেন ২ অদুদি রন ৩২ লৌখিবা টেম্বা বাভুমা অমসুং রন ৩৭ লৌখিবা জের্স লিন্দেনি। অহানবা ইনিংস অদুদা সাউথ অফ্রিকা ইন্দিয়াগী রন ৩৩৫ শোখদুনা লৈখিবদগী ফোলোওন তৌদুনা মখোয়গী ২শুবা ইনিংস শান্নখি।

ঙসি সাউথ অফ্রিকানা মখোয়গী অনীশুবা ইনিংস শান্নরকপা অদুগী মখা চখ্থরকপদা টিম অদুগী মকোক থোংবা বেটচমেন ৫ ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংনা রন ১০ য়ৌহন্দনা আউট তাহনবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর দোন এলগর রন ১৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা ফিল্ডদগী থোকখি। ঙসি হুম্নি শুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৯ শুবা বেটচমেন থেনিস দি ব্রুন রন ৩০ লৌদুনা লৈরি। অদুগা ১১ শুবা বেটচমেন এনরিক নোর্জে রন ৫ লৌরি। ৱিকেট ৮ তুখিবদা রন ১৩২ লৌখিবনা পুন্না ইন্দিয়াদগী রন ২০৩ শোখরি। হয়েং ৪নি শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা থোইবগী অচৌবা লম্বেল লৈখ্রে।

# ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা ফজবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগদৌরি



পেরিস, ওক্টোবর ২১(এজেন্সী): হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ৭৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ৱর্ল্দ চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং অতোপ্পা শান্নরোয় সাইনা নেহৱালনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংনা ফজবা ঙমখিদবা অদু ফুগৎতুনা মকোক থোংনবা হোৎনগদৌরি।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ৱর্ল্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোয় ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা মখা তানা শরুক য়ারকপা টুর্নামেন্ট ৩দা ২শুবা রাউন্দ লাম্থোকপা ঙমদনা ফজবা ঙমদ্রিবা অদু ফ্রেন্স ওপনদা ফুগৎতুনা মায় পাক্লবা হোৎনগদৌরি।

অমরোমদা, ৱর্ল্দ নম্বর ৮ ওইরিবী ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলসু ফংখ্রবী সাইনা নেহৱাল মহাক্কী হকচাং শোকপনা মরম ওইদুনা টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়ারুদ্রবা মতুং হন্দক শরুক য়ারকখিবা টুর্নামেন্ট ৩না অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখি। মহাকসু সিন্ধুগুম্না ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ফজবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অহানবা রাউন্দদা পি ভি সিন্ধুনা কানাদাগী শান্নরোয় মিসেল লিগা লম্বা তৌনগনি। অমরোমদা সাইনা নেহৱালনা হোংকোংগী শান্নরোয় ঙু য়েন সেংগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম্মনা জপানগী নিসিমোতোগা থেংনগনি। পরুপলি ক্যসপনা হোং কোংগী ঙা কোং লোংকাগা শান্নগনি। অদুগা কিদম্বি স্রিকান্তনা চাইনিজ টাইপৈগী চৌ তিয়েন চেনগা লম্বা তৌনগদৌরি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র ২ য়াওরি। মিক্সতসু পেয়র ২ অদুগা নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পোনাপা অমসুং রেদি শান্নরি।